# ব্রোইলর য়েনশিং মশা-মউ ফনা থম্বীবা

ডা. সরাংথেম জেসমারানি

ব্রোইলরদা থোক্লিবা লায়না খুদিংমক মীৎনা উবা ফংদবা অপীকপা ওর্গানিজমশিংনা থোকহল্লি। লায়না থোকহল্লিবা মহীকশিং অসি মফম অমদগী মফম অমদা হায়বদি ব্রোইলর য়েন হেক ওনবদগী য়োন্নবা থৌরাং তৌবা মতমদু ফাওবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম খুদিংমক্তা, খুদম ওইনা হায়রবদা য়েরুম কোলহন্নবা হাপ্পা ত্রে, ইক্বিপমেন্টশিং পুথোক-পুশিন তৌনবা শীজিন্নরিবা গাড়ী, শেন্নরিবা মীদুগী মফি-মরোল, খূৎ-শা, খোঙউপ অসিনচিংবা কয়া অসিদগী লায়না কয়া শন্দোরকই। মসিদসু নত্তনা হূই, হৌদোং, উচি অমদি অতোপ্পা তীল-কাঙ কয়া অমনসু লায়না শন্দোরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। হায়রিবা ময়াম অসিনা লায়না থোকহন্দুনা শিবগী চাং হেনগৎহল্লগসু শিহৌদবা খরদুদি অমুক হান্নগী মতৌগুম মশা-মউ ফনা লৈবা ঙমহন্দে, অরূম্বগী চাং হন্থহল্লি। ব্রোইলর য়োকপসি অতেনবা মতম ওইবনা অনাবা কয়া মায়োক্নরবা মতুংদসু শাহৌ ফনা লৈবা ঙমহন্দে। মসিনা লোয়রিবা মীদুদা অমাঙবা অমা ওইহল্লি। ব্রোইলর লোয়বা মতমদা লায়না কয়া মায়োক্নদনবা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়-খৎপীনবা মখাদা থমজরি :-

➲ ব্রোইলর য়োকপীরিবা খ্বাই খিবিক্লা লায়না-তীলনা লাকহনবগী চাংসি অদুক্কী মতিক হন্থনা থম্বীগনি। য়েন থল্লিবা মকোন্দু নীংথিনা নুংশিৎ-নুংশা চঙবা মফম ওইগদবনি। ব্রোইলরদা পীজবীগদবা মচীঞ্জাক খুদিংমক অফবা কোকফাই কাদবা ওইগনি। য়েনশিং কুংশিন্না থম্বীরোইদবনি। মকোন মনুংদা হাপ্লিবা ৱাই নৎত্রগা উ মকুপশিংদু চোৎ-চোৎ লাওনা থম্বীরোইদবনি অমদি অফবা ঈশিং পীথকপীগনি।

➲ ব্রোইলর য়োকপা মতমদা খরা অমনা অমুক্তা পুল্লপ লোয়রগা য়োন্থোক্লবা মতুং অমুক অনৌবা মচা পুরক্তুনা লোয়বা অদুগা খরা অমনা লেপ্তুনা শেল লাক্লবনি হায়দুনা মচিৎ-মচিৎ হাপ্তা খুদিংগী লোয়বসু য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বা মচিৎ-মচিৎ লোয়বীগে হায়রগদি মকোন অমগা-অমগা অরাপ্পসি মিটর ১০.৫ (ফিট ৩৫) ওইবীগনি।

➲ য়েনগোনগী থোঙজিল মপান্দা খোঙ-খূৎ লুপ্নবা দিসইনফেক্টেন্ট খুদম ওইনা হায়রবদা ফিনাইল, পোটাশ অসিনচিংবসি ঈশিংদা য়ানশিল্লগা থম্বীগনি অমদি মকোন চঙলমদাইদা হায়রিবা মহী অসিদা খোঙ লূপ্লগা চঙবীগনি। নুমিৎ খুদিংগী মহী অসি শিনে দাকপীগনি অমদি লুপ্লগা চঙবীগনি।

➲ লায়না শন্দোরকপদা খ্বাইদগী অচৌবা মতেং পাংলিবসি শেন্নরিবা মীওইশিং, অতোপ্পা মীওইশিং অমদি মীওই কয়া অমা মকোন্দা চঙলকপদুননি। মরম অসিনা মকোন মনুংদা শকখঙদবা মী অমত্তা চঙহন্দবা ফৈ। করিগুম্বা চঙবা তারবসু অনৌবা খোঙউপ পীদুনা চঙহনবীগনি অমদি করিগুম্বা ব্রোইলর মচা মৈ থান্দুনা থম্বা মতাং ওইরগদি মফমদুদা য়ারিবমখৈ মীতোপ চঙহনবীরোইদবনি।

➲ ব্রোইলরদা থোকহল্লিবা লায়না কয়া অমা অতোপ্পা সোর্সতগী থোকহনবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা উচি, উতিন, তীল-কাংশিং, উচেক-ৱায়াশিং অসিনচিংবা হায়রিবা ময়ামসি নীংথিনা ঙাকথোকপীবা তাই।

➲ ব্রোইলর থল্লিবা মকোন মনাক্তা অতোপ্পা মখলগী উচেকশিং হায়বদি ঙানু, কাংঙা, খুনু অসিনচিংবগী মকোন অমত্তা থম্বীরোইদবনি। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি।

➲ মথক্তা থমজরিবা উচেকশিংগী মথক্তা হূই, হৌদোং, ষণ, ইরোই অমদি হামেং অসিনচিংবগী মকোনসু ব্রোইলরগী মকোন মনাক নক্লা থম্বীরোইদবনি।

➲ ব্রোইলর য়াম্না লোয়বা ফার্ম অচৌবশিংদদি য়েন অমদি মচীঞ্জাক পুথোক-পুশিন তৌরিবা গাড়ীশিং ফাওবা মকোনগী মনাক্তা নক্লা চঙহন্দবা, লাপ্না থম্বনা ফৈ।

➲ অরিবা য়েন য়োন্থোক্লবা মতুংদা অনৌবা য়েনাও থমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মকোনশিংদু নীংথিনা শেংদোকপীহৌগদবনি। অনৌবা য়েনাও থমদ্রিঙৈদা য়ামদ্রবদা হাপ্তা অমরোমদি হাঙনা থম্বীরগা শীৎ-শেংদোকপীরগা থম্বীগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা হান্না শীজিন্নরম্বা পোৎ চৈ, পাত্রশিং নীংথিনা চামথোক-শেংদোক তৌবীরগা নুংশাদা ফৌদোক্লগা মথং শীজিন্নবা থম্বীগনি।

➲ করিগুম্বদা য়েন অশিবা য়াওরগদি য়েন অশিবদু হুন্দোকপগী মহুত্তা কোম তৌরগা ফুম্বীগনি। মসি নৎত্রগসু মৈ থাদোকপনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি।

লূ-নান্না থম্বা : লূ-নান্না য়েন ব্রোইলর লোয়রগদি শিবগী চাং অদুক্কী মতিক নেম্মী। মসিদসু নত্তনা শেন্দোং লৈনা অমদি তুং কোইনা লোয়দুনা ইশা-ইশাগী থবক পীজদুনা খুন্নাইসিদগী চাওখৎ লম্বীদা অচৌবা ঙাক্লৌ অমা ওইগনি। ●

# ঙাগী ঙাথোক হেনগৎনবা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং খরা

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ

ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবগীদমক পায়খৎপীগদবা চেকশিন থৌরাং খরা থমজগে।

১) ঙা য়োক্কদৌরিবা মফম খনবা হায়বদি ঙা য়োক্কদৌরিবা মফম অদু ফোলি ওইবা লৈবাক অমদি লৈহাও লৈবা মফম ওইগদবনি। চহী চূপ্পা ঈশিং ফংবা মফম অমদি মিটর অনীদগী হেন্না লূদবা পূখ্রি ওইগদবনি।

২) পূখ্রি শেম্বা : ক) পূখ্রিশিংদুগী অকোইবদা লৈপল থোনগৎতুনা শেম্বীগদবনি হায়বদি পূখ্রিশিং অদু অকোইবগী লৈমাইদগী ৱাংখৎহন্দুনা শেমগদবনি।

খ) পূখ্রি মনুংদা ফত্ত-হৌদিগী মরোল থানা লৈহল্লোইদবনি।

গ) পূখ্রি অদু নুংশা নীংথিনা ফংহনগদবনি।

ঘ) ঈশিংদা হৌবা নাপীশিং শেংদোকপীগদবনি।

ঙ) হান্না লৈরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, পোরোমগুম্বা ঙাশিং লৈহল্লোইদৌবনি। মসিগীদমক ঈশিং কংহনবা নৎত্রগা ব্লিচিং পাউদর কিলোগ্রাম ৩৫০ পরি অমদা শীজিন্নবা য়াই।

চ) করিগুম্বা পূখ্রিশিং অদু কংহনবগী খুদোংচাবা লৈরবদি নুমিৎ তরেৎনিদগী তরানি ফাওবা কংহন্দুনা থম্বীরবদি অসুক্কী মতিক কান্নগনি। পূখ্রিগী লৈমায় অদু লৈক্রুক চৎপা ফাওবা কংহনগদবনি হায়বদি ঐখোয়না পূখ্রিগী লৈমাইদা নেৎপা মতমদা খোঙপাক্কী মমি কুৎথদবা ফাওবা কংহনগদবনি।

ছ) মসিগী মথংদা পূখ্রিগী লৈমায় অদু খোইদোকপীদুনা হু চেনবা নুংশিৎশিং পাইথোকহনখিবগা লোয়ননা লৈহাও লৈবা মফম অমা ওইহনবীগদবনি।

৩) শুনু চাইবা : শুনু কিলোগ্রাম ২০০দগী ৫০০ ফাওবা পরি অমদা চহী অমদা চাইবীগদবনি। শুনুগী মখল কয়া লৈরি। অদুবু পূখ্রি শেম্বা মতম হায়বদি ঙা থাদদ্রিঙৈদগী ক্বিক লাইম হায়রিবা শুনু মখল অসি শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। অদুবু ঙা থাদরবা মতমদদি এগ্রিকলচরেল লাইম হায়রিবা শুনু মখল নৎত্রগা Dolomite La Mg ($CO_3$) মখলশিং অসি শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা শুনুগী চাং অসিদি ক্বিক লাইমগীনি। অকোনবগী শুনু মখলশিং অসি শীজিন্নবা তারবদি কিলোগ্রাম ১০০০-২০০০ ওইগদবনি।

৪) হার চাইবা : ক) শুনু চাইরবা মতুং নুমিৎ তরেৎনিদগী নিপালনি লৈরগা হার চাইবগী থবক তৌবা য়ারে।

খ) মতম খরা-খরা কান্নরগা পূন্না পরিগী চাংদা ষন্থি কিলোগ্রাম ১০,০০০-১৫,০০০, য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ২৫০, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলোগ্রাম ৩৫০ চহী অমদা হাপ্পীগদবনি।

গ) মথক্তা পনখ্রিবা অপূনবা হারগী শরুক মরি থোকপগী অমদি ঙা থাদদ্রিঙৈদা হাপ্পীগদবনি অদুগা লেমহৌরিবা হারশিং অদু চয়োল অমা নৎত্রগা অনী-অনী কান্ননা চাং মান্ননা হাপ্পীগদবনি।

৫) ঙা মচা পূখ্রিদা থাদবা : - ঙা মচাশিং থাদদ্রিঙৈদা পূখ্রি অদুগী ঈশিং অফ-ফত্ত য়েংহৌগদবনি। মসি য়েংনবগী অরাইবা থৌওংদি পাত্র অমদা পূখ্রিদুদগী ঈশিং খরা হাপ্লগা ঙা মচা খরা পুং ৪ চূপ্পা থমগদবনি। মদুদা ঙানা মশা-ফনা হিংবা ঙম্লবদি পূখ্রিদুদা ঙা মচাশিং থাদবা য়ারে।

- ঙা থাদবা মতমদি অয়ূক নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরম ওইগদবনি। নুংশা শাবা, অকনবা নুংশিৎ শিৎপা মতমদা থাদরোইদবনি।

- ঙা থাদদ্রিঙৈদা ঙা মচা পুরিবা পাত্র/চেরং খাও অদুগী ঈশিংগা ঙা থাদগদৌরিবা পূখ্রি অদুগী ঈশিংগা অঙৈং-অশাগী চাং মান্ননবা ঙা মচা পুরিবা পাত্র অদু পূখ্রিদুদা মিনট ১০-২০ তাওহন্দুনা থম্বীগদবনি।

৬) ঙাগী মচিঞ্জাক থাবা : পূখ্রি অদুদা লৈরিবা অপূনবা ঙাগী অরূম্বগী চাদা অহুম নোংমগী মচীঞ্জাক ওইনা পীজগদবনি।

৭) ফিশ শেম্পলিং : থা খুদিংগী চাং নাইনা ঈল খোন্দুনা ঙাশিং অসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু য়েংগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাশিং অদুদা করি-করি লায়না-তীলনা য়াওরকপগে অমদি চাউফম থোকপা চাংদা চাউরিব্রা হায়দুনা য়েংশিনবীগদবনি।

৮) ঙা ফাবা : খুদোংচাবগী মতুংইন্না ঙাশিংদু থা ১০দগী চহী ১ ফাওবগী মনুংদা ফাবা য়াই। চাং নাইনা অচৌবা ঙাশিং ফাদোক্তুনা অতৈ অপীকপা ঙাশিংদু চাউখৎহন্নবগী মফম ফংহনগদবনি।

লমদম অসিদা য়োক্লরিবা ঙা মখলশিং অসি মরু ওইনা কার্পস হায়বদি রৌ, ম্রিগল, কটলা (আই এম সী০ অমদি সিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুকলাওবী (Exotic carps) মখলশিং অসিনি। অদুবু হৌজিক্তি তুংহনবী, উকাবীগুম্বা কয়াসু ফজনা য়োক্লুরে।

রৌ, কতলা, ম্রিগল অসি ইন্দিয়াদা হান্নদগী লৈজরক্লবা ঙা মখলশিংনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়শিং অসিদি অঙৈংবা মফমদা লৈবা হৈনদবা মরম্না লমদম অসিদা য়োকপা মতমদা চাউজল থীবা অমদি লায়না-তীলনা কয়া নারকপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। তৌইগুম্বসুং Exotic carps হায়বদি নাপী চাবী, সিলভর কার্প অমদি পুকলাওবী হায়রিবা ঙাশিং অসিদি অঙৈংবা মফমদা হৈনবা অমদি লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকচবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই খরমখৈ য়াওবা মরম্না মখোয়শিং অসি য়োকপনা খরমখৈদি ফগনি। অদুবু পুকলাওবী অসি লমদম অসিদা পুশিল্লকখিবা ঙা খরা খক্তদগী অসুম-অসুম শন্দোরকখিবা ওইবনা inbreeding deprission না মরম ওইদুনা চাউজল থীবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা অফবা মখলগী পুকলাওবী হায়বদি Amur carp ওইনা য়োকপীবা, অতোপ্পা ঙাশিং হায়রগনা Jayanti Rohu, GIFT Tilapia অসিনচিংবা ঙা মখলশিং অসি য়োকপীরবদি ঙাগী পোথোক খরমখৈদি হেনগৎপা ঙমগনি। তুংহনবী হায়রিবা ঙা মখল অসিসু মরূম য়াম্না তোয়না কোকপা ঙা মখল অমা ওইবা মরম্না মশা চাউখৎপদা চঙগদৌবা ইনর্জিশিং অদু মরূম কোকপদা শীজিন্নথোকখিবনা মরম ওইদুনা চাউজল থীগনি। মরম অদুনা Sterile ওইবা নৎত্রগা monosex ওইনা য়োকপনা হেন্না কানগনি। তুংহনবী অসি অমোমদগীসু লাবনা হেন্না চাউগনবা মরম্না লাবা ঙাক্তা য়োকপনসু অমুক্তা হেন্না কানগনি। কতলাগী ওইরগনা G.I. Catla হায়বদি Genetically Improved Catla অসি ওইনা য়োকপীবনা হেন্না কানগনি।

অনৌবা মখলগী ঙা য়োকপগী থৌওংশিং হায়রগদি (১) Recirculatory Aquaculture System ময়াম্না RAS হায়রগা খঙনবা অসি ফুল্লি কন্ত্রোল ওইবা থৌওং অমনি। মসি অপীকপা মফম অমদা ঙা মশীং য়াম্না য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা অসুক্কী মতিক কানগনি।

অতোপ্পা থৌওংশিং হায়রগদি Aquaponies, Hydroponies অমদি হৌজিক য়াম্না তৌনরক্লিবা Biofloc Technology নচিংবা থৌওংশিং অসিদি মফম মতমগী মতুংইন্না কানবা অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। অদুবু ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদদি অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্লোই।

পনবা য়াবা টেক্নোলোজি খরা অমুক হায়রবদা Cage Culture, Pen Culture নচিংবা থৌওংশিং অসিসু ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা থৌদাং খরদি লৌবা ঙমগনি।

মসিদসু নত্তনা Species Diversification হায়বদি লমদম অসিদা চানবা পোথোক লৈবা ঙা মখলশিং য়োক্লবসু লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। ●

# আলু থাবদা তঙাইফদবা কাঙলোন খরা

ডা. ৱাইখোম জিতেন

আলু হায়বসি ঐখোয়গা থানবা য়াররোইদবা মনা-মশিংশিংগী মনুংদা অমা ওই। ঐখোয়না চারিবা চীঞ্জাক্কী মথেলশিং অসিগী মনুংদা আলু য়াওদবা মথেল য়ামদে। অদুনবু আলুগী মথেল হায়নরিবনি।

আলু হায়বসি থাবা মতমদা শেল য়াম্না চঙবনা মরম ওইদুনা আলু থাবসি য়াম্না চেকশিনবীগদবনি। আলু কেজি অমা থাবীবা মতমদা কেজি ৬ ফংদ্রবদি ঐখোয়গী অৱামল মাঙই। আলু কেজি অমনা আলু কেজি ১০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পুথোক্লবগী পান্দমদা আলু থাবীগদবনি।

আলুগী পোথোক হেন্না পুথোক্লবগীদমক ঐখোয়না পায়খৎকদবা তঙাইফদবা কাঙলোনশিংগী মনুংদা ফৈদোম শেম-শাবা, অফবা চারা খনবা অমদি হীদাক লুপথোকপা, অকুং-অরন, মখোঙ খোৎচিনবা, মচীঞ্জাক পীবা, ঈশিং চনবা, লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা, মরী ককথৎপীবা, মতম চানা আলু তান্দুনা কাঙলোন চুম্না লীবনচিংবনি।

ফৈদোম শেম-শাবা :

আলু থানবগীদমক খ্বাইদগী চানবা লৈবাক-লৈহাও হায়বদি ফ্রোং-ফ্রোং লাওবা, ফোলি ওইবা, পান্থী-শিংবী, ষন্থি-ষণয়ুংদগী পথু-পুমথদুনা ওইবা লৈবাক-লৈশাগী চাং ৱাংবা, তোঙান-তোঙানবা পান্থীগী মচীঞ্জাক্কী মচলশিং মরাং কায়না য়াওবা মফমশিংদা লৈচং লৈনা সেন্টিমিটর ২০-২৫ (ইঞ্চি ৮-১০) দগী তাদনা লূনা, মমুৎ তানা খোইবীরবা মফমশিংদা ফৈদোম শেম-শাবীগনি। ফৈদোম শেম্বীবা মতমদা ফৈদোম অদু কয়া য়াম্না পাকহনগদগে হায়বসি লৌফম অদু লৈতানগী চাং ৱাংবা-ৱাংদবা, খোইবা মতমদা লৈচং লৈবা-লৈতবগী মখা য়াম্না পোল্লি। লৈতান য়াম্না য়াওবা লৌফমদা ফৈদোম য়াম্না পাকহনবা য়াদে। মরমদি ঈশিং চনবা মতমদা চুরিদা লৈরিবা ঈশিং অদুনা ফৈদোমগী ময়ায় য়ৌনবা চঙবা মতমদা মতম য়াম্না লৌদুনা ফৈদোমগী মতাই থংবদা লৈরিবা পান্থীশিংদা ঈশিং হেনবগী অৱাবা মায়োক্লহনগনি। অমরোমদা অমুক লৈচং লৈনা খোইবগী খুদোংচাবা লৈতবা লৌফমদা ফৈদোম শেম্বীবা মতমদা ফৈদোম অদুনা পীকহল্লগা চুরি অদুনা পাকহনবীগনি। মরমদি চুরিগী ফৈদোমগী মতোল ফাওবগী অৱাংবা অদু সেন্টিমিটর ১৫ (ইঞ্চি ৬) দগী তাদনা ফংহনবীগদবনি। ফৈদোমশিং অসি য়ারিবা মখৈ খা-ৱাং ওইবা মওং (খরনা শাংবা) দা শেম্বীগদবনি। অসুম্না শেম্লবা ফৈদোমশিং অদুদা আলু থানবগীদমক অকুৎ-অতোং নাইবা চুরিশিং শেম্বীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা আলু থাবীবা মতমদা তোংখৎলিবা চুরিগী মখা থংবা মায়কৈগী অকূৎপগা তাইনবা মফম অদুদা আলুগী মমিৎশিং অদুনা ফৈনা লৈনবগী মওংদা আলু থাবীগনি।

অফবা চারা খনবা : চানবগী লোকপা আলুনা মতোন চোংহল্লগা থাবা আলুনা ঐখোয়গী পান্দম কৈদৌঙৈদা ফংলোই। চানবগী ওইনা আলু থাবগী কাঙলোনগা চারা ওইনবগী কাঙলোনগা খরা খেন্নে। কা হেন্না পীকপা আলুনা থারগনা আলুগী পোথোক ৱাৎলি অদুগা কা হেন্না চাউবা আলুনা থারগনা চারা লৈবদা শেল হেন্না চঙহল্লি। মরম অসিনা পীক্তক তৌবা য়েরূম্মুক চাউবা আলু হায়বদি কেজি অমদা লুপা ২০-৪০ ফাওবা চনবগী চাংদা লৈবা আলুশিং লৌবীগদবনি। কা হেন্না চাউবা আলু য়াওরবদি আলু অদু খাইদোকপীগনি, অসুম্না খাইদোক্লবা আলু অদুদা য়ামদ্রবদা মমিৎঅনীদি য়াওহনবীগদবনি। খায়দোক্লবা আলুশিং অদু Mancozeb অমদি Metatoxyl য়াওবা নৎত্রগা Mancozeb অমদি Cymoxonil য়াওবা হীদাক মহীদা লুপথোকপীরগা মচুম লাংশিল্লবা মতুংদা থাদোকপীগনি। লৌ পরি অমগী লৌফমদা আলু থানবগীদমক আলু কেজি ১৫০০-২০০০ হায়বদি কেজি ৫০ চনবা আলু বোড়া ৩০-৪০ গুম্বগী আলু চারা চঙগনি।



অকুং-অরন : ঐখোয়না আলু থাবীবা মতমদা আলু পরেং অনীগী মরক্কী অরাপ্পা অসি সেন্টিমিটর ৫৫ (ফিট ১ ইঞ্চি ১০) দগী তাহনবীরোইদবনি। অদুগা পান্থীগা পান্থীগগী মরক্কী অরাপ্পা অসিদি আলু চারাশিং অদুগী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না সেন্টিমিটর ১৫ (ইঞ্চি ৬) তগী সেন্টিমিটর ৪৫ (ফিট ১ ইঞ্চি ৬) ফাওবা ওইগনি। থাবদগী লোকপা ফাওবদা মতম খরা হেন্না চঙবা মশা-মউ ফনবা আলু মখলশিং খুদম ওইনা অবের চাইবীগুম্বদি পান্থীগা-পান্থীগা সেন্টিমিটর ৪৫ লাপ্নহনগনি।

মখোঙ খোৎচিনবা : আলুগীদমক মখোঙ খোৎচিনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা কাঙলোন অমনি। অসুম্না লৈবাক খোপচিনবীবা অসিনা আলু তমগদৌরিবা আলু মচাশিং অদু লৈবাক মনুংদা ফুমজিনগনি অমদি আলু অশংবা য়াওগদবদগী ঙাকথোকই। অসুম্না লৈবাক খোপচিনবদগী লৈবাক অদু হোম-হোম লাওহন্দুনাআলুনা চাউখৎপদা অপনবা পীদে। আলুনা থাখিবদগী নুমিৎ ৩০নিমুক শুরকপা আলু পান্থীনা সেন্টিমিটর ১৫-২২ গুম্বা ৱাংবা মতমদা অমুক অমসুং নুমিৎ ৪৫-৫০নি শুবদা অমুক খোপচিনবীগনি। করিগুম্বা মতম শাংবা আলু মখল ওইরবদি মখোঙ খোপচিনবা অসি অহুম্লক্তগী তাহনবীরোইদবনি।

মচীঞ্জাক পীবা : আলু অসি লৈবাক্তগী পান্থীগী মচীঞ্জাক য়াম্না চিংখৎপা মখলগী পান্থীনি। ঙম্লবদি আলু থাগদবা লৌ পরি অমদা ষন্থি-ষণয়ুং কেজি লিশীং ২০ হায়বদি ত্রেক্টরগী ত্রেলর ১০ গুম্বা হাপ্পীগনি। অদুগা য়ুরিয়া কেজি ২১৭ সিঙ্গল সুপর ফোসফেট ৩৭৫, ম্যুরেট ওফ পোটাস কেজি ১৬৬ লৌ পরি অমদা চাইবীগনি। চাইগদবা হারশিং অসি য়ুরিয়াগীনা শরুক তঙ্খাই অমা, এস এস পিগী অপূনবা অদুগা এম ও পিগী শরুক অহুম থোকপগী অনী অরোইবা লৌওন খোইবদা হাপ্পীগনি। লেমহৌরিবা য়ুরিয়া অদুনা অনী থোক্লগা অহানবা লৈবাক খোপচিনবদা এম ও পিগী লেমহৌবা শরুক্তুগা অমুক অমদি অনীশুবা লৈবাক খোপচিনবদা চাইশিনবীগনি।

ঈশিং চনবা : আলু থাবা মতমদা লৈবাক অদু ঈনিল য়াম্না নেমখ্রবদি অথুবদা পারপ তৌনা ঈশিং চনবীদুনা থুনা হৌনবা হোৎনবীগদবনি। আলুগীদমক তঙাইফদনা ঈশিং চন্দবা য়াদবা মতম অসি মখোঙ লৈবাক খোপচিনবা হেক লোইবা খুদিংগীনি। আলুদা উন তাবগী অৱাবদগী ঙাকথোকপীনবা উন তাবগী চীংলৈবাক লৈরগা ঈশিং চনবীগদবনি। ঙম্লবদি আলুনা অহানবা লৈবাক খোপচিনবা হেক মতুংদগী নুমিৎ ১০-১৫ কান্নরগা আলু তানগদবা নুমিৎ ১৫-২০নি ৱাৎলিঙৈ মতম ফাওবা ঈশিং চনবীগনি। চুরিদা ঈশিং ফাজিন্দুনা ঈশিং চনবীবা মতমদা ফৈদোম অদুগী অৱাংবগী শরুক অনীগুম্বা ঈশিং থুমহল্লগা শরুক অমনা ঈশিং মথক্তা লৈহনগদবনি। ফৈদোম অদু কৈদৌঙৈদা লোইনা ঈশিং থুমহল্লোইদবনি।

অসুম্না ইচম চম্বা কাঙলোন খরা অসি ঙাকপনা আলুগী অহেনবা চাথোক পুথোকপদা অচৌবা মতেং পাংগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭

১) **''ছৈরেং অনৌবা''** হায়বা লাইরিক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

২) **''ভর্তৃহরিশতকত্রয়ম্''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে ?

৩) **''য়াইথিংকোনু''** (২০০৪) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **''য়ুরম্বীর চক্র (য়ু থকপগী মনা)''** হায়বসি ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো অমসুং অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **''লৈমপাৎকী থারিকথা''**হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।